

থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

প্রাইবেত ত্যুসন থিংলম্লে, কমদৌনি!

অযুক য়েন্দা অঙনবা, পুংমরী-মরীমখায়দা 'মোর্নিং ৱাক' চৎননবা হৌগৎলকপা, চীন-য়া শেংলিঙৈ, য়ুমগা হেক তায়নবা লম্বী মচাদুদফাও তুইসন সেন্তরশিংদা মচা থিনবা চৎপা কারশিংগী মখোল অমদি হোর্ননা হেক হেক দিষ্টর্ব তৌবনি। ঙসি মরী-মঙানিসি গাড়ী মখোল তাখিদে। ৱাকিং চৎপই লম্বীদা প্রাইবেত তুইসন সেন্তর অহুমনি নুংতিগী ফাওদুনা চৎলিবা। মোতো-কার-স্কুতর, লম্বীগী চিদাইদা খাল্লিবা ময়ামদুগী মপূশিং, পুল্লপ পুল্লপ পুন্না ৱাকিং চৎলম্মী। খঙনবা কয়া, ঐনা খঙবা মহাক্লদি খঙদবা, মখোয়নদি খঙলম্বা ঐহাক্লদি খঙদবা- কয়ানি তোয়না থেংনবা। ঐহাক ইশাদগী হৌরগা ইচা অহুমসি ফাওবদা তুইসন-কলচর য়াওরকখিদবনা, নুংতিগী উরিবা দৃশ্যদু ঐঙোন্দদি হৈনখিদে, য়াম্না মরিং-মরাংখি। পার্তনর ওইনা চৎমিন্নরিবা মরূপ্তুগা লোয়ননা তোয়না দিবেত তৌনবা হীরম অমনি - মণিপুরগী তুইসন কলচর। অদুক য়াম্না য়োল্লম্বা মমা-মপা ময়ামদু করিগী লাকখিদবনো? ত্যুতর ওইরিবা ওজাদু মশা ঙমদবরা? কদায়দনো'মা চৎখিবরা? মরম অমদি লৈরমনি। অদুবু, মখোয় অহুম পুল্লপ হৌনদুনদি চৎলম্লোই। হৌনদুনসু নারম্লোই।

ঐগী মরুপ পার্তনরদু য়াম্না ইনফোর্মেতিব ওইবনি লৈকায়সিগী ওইবা পাউ ঐনা তাদ'-খঙদবদু মঙোন্দা হেক্তা লৈরম্মী। হায়রকই 'মণিপুরদা ত্যুসন তৌবা থিংখরে।' কনানা করিগী থিংলিবা পাউচেশিংদা ইখি হায়। করম্না নাম্ভোকখিবনো-ঐদি মদু পাহৌদ্রে। ময়ামদি পাবীরম্লনি, পাউচেশিংগী পাউদগী হেন্না মুনবা (দিতেল ওইবা) পাউদুসু তাবীরম্লনি শোয়দনা। ঐনা হন্না তম্লবা, হনজিনবা পাউ ওইরনি, পাউদুদি তেনশিঞ্জরগে। থিংলে হায়বসিদি চুম্লম্লে। খঙদে, য়ানবা অমা পুরকখি'দ্রা? ত্যুতরশিংগী এসোসিয়েসন অমা শেমখিবসু থেংনদে। কনানা মহুৎ শীন্দুনা করম্না ৱারী শারিগবা? য়ানবা পুরক্কদৌ' লৈরবা- করিগী অথিংবা থম্লুবা? করম্না য়ানবা পুরকপা? খঙহনফম থোকই ময়েক শেংনা। মরমদি, ত্যুসন থিংলিবসি মরম চায়/চাদে-মীয়ামগী মত অনী থোকই। থোক্লিবা ৱাথোক অসিদা ইরন্নাই ওইবা মত অমা লৈরবদি পীফম থোক্তবরা? ৱাফম অসি খল্লগনি পাউদম অসি তল্লিবা। ইশাগী মত পীদ্রিঙৈ, ঙসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেম অমদি এগজাম পেতর্ন অমুক্তং নীংশিংলুবা ফগনি।

এদ্যুকেসন হায়বসিগী মরুওইবা পান্দমদি মহৈরোয় অমবু মশানা পামজবা হীরম/শীনফম অমগী মপুম-ফাবা (মচেৎ-মকায় নত্তবা) লৌশিং অদু ফঙহনবনি। ঙসি ঙরাং খক্তদগী নত্তে, চহী লীশিং কয়াগী মমাঙদগীনি। তাইবংগী লৌশিং পীবা ঙম্বা (ব্রাক্ষ্মন) অমগী ময়ুমদা শিশ্য (মহৈরোয়) ময়ামগা পূন্না লৈমিন্নদুনা মহৈ তম্বা (গুরুকুল সিষ্টেম) মাঙলমচৎতগী অরিবা ৱারী লাইরিক্তা থেংনরকই। ঙসিগী রেসিদেন্সিঅল স্কুল কন্সেপ্ত অসিনি। থাক অমদগী অমদা মথং মথং কাখৎলকপা, অপীবা সিল্লেবস অদু মমুৎ তানা খঙহনবা। খঙলবা হীরম অমদা 'হংনিংবা মওংদা হংজরকউ' - অফবা মহৈরোয় অমগী চেল্লেঞ্জনি। মদুদা পাউখুম পীবা ঙম্বা মহৈরোয়, অফবা ওজা অদুতনা শেম্বা ঙমগনি। অৱাবনি, অদুগুম্বা ওজাদি ঙসি থিবা ফংলরোই। ঙসিগী অফবা ওজা, অহৈবা মহৈরোয় পুথোকপদু নত্তে, নম্বর ৱাংনা ফংবা ঙমহনবদুনি। পান্দম? হৈহনবা নত্তবা, মমীং লৈবা স্কুলদুদা মীং চনবা ফংনবা।

সিনিয়র সেকেন্দরি স্কুল-এগজাম লোয়রগা দোক্তর-এঞ্জিনিয়রনচিংবা প্রোফেস্নেল কোর্সশিংদা তম্নবগী 'স্পেসল এগজাম' শিংদা নম্বর য়াম্না স্কোর তৌবা ঙম্বা হায়বসিনা ঙসিগী মহৈরোয় অয়াম্বগী মরুওইবা পান্দম ওইরকপা অসিনা, ঙসিগী সিষ্টেম অসি ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমনি। ইন্দিয়াগী অচৌবা কোচিং সেন্তর খরা (ঙসিদি স্কুল ওইখ্রবা) গী এদমিনিষ্ট্রেতর/প্রিন্সিপালশিংনা হায় ... 'ক্বালিফাইং এগজাম অদুদি ইলিজিবিলিত মার্ক অদু ফংলগা লোইরে, হেন্না মরূ ওইরিবদি ওল ইন্দিয়া জোইন্ত এঞ্জিনিয়রিং এগজামদা/আই আই তিগী এন্ত্রান্স টেষ্টতা/ওল ইন্দিয়া প্রি-মেদিকেল টেষ্টতা পর্সেন্তাইল ৱাংনা পাস তৌবদুনি...।' ৱাখল অসি মমা-মপা ওইবশিংদসু চুশিনখিবদগী, কলচর অসি শেল্লকপনি। স্কুলদা ওজানা তাক্লিবা ক্লাসতু য়াওদ্রবসু প্রাইবেত ত্যুতর অমদা অহেনবা শেনফম পীথোক্লগা থা অনী নৎত্রগা অহুমদা সিল্লেবস কোভর তৌনবা তাকহল্লগা লোইরে ... মচাসু-মপাসু-ওজাসু চপ মান্ননা খনমীন্নরকই। স্কুলগী তলবতি লেঙদ্রবনি, লন্নাই ওইনা য়ুমদা তৌজবা ত্যুসনদি, চহী অমগী তলব থা অমদা তান'ঙম্মি, মীমান্ননা হিংহল্লি, লাইনা কার তোংঙম্মী, য়ুমসু লাইনা শাদোকই।

শজিক হৌবা ষণজাবুংদা ষল্লুপশিং চাক্তাবা- মহৌশাগী পথাপনি। স্কুলদা ফজনা তাক্লসু, তাবীনবা মহৈরোয় লৈতে। প্রাইবেত ত্যুসন চৎলবনা, স্কুলগী ক্লাস য়াওদ্রবসু থোইদোক্তে। মান্নবা ৱাখল অনীনি। মাঙজরিবদি কনানো? মমা-মপা ওইবশিংনা জিপ-কারদা তোংদুনা প্রাইবেত ত্যুসন সেন্তরশিংদা থাবা ঙমদবা মহৈরোয়শিং। হৌজিক ঐখোয় য়েংবা তারি- প্রাইবেত ত্যুসন থিংখ্রবনা, সেন্তরশিংদুদা ওজাশিংদুনা পীরম্বা ইদ্যুকেসন'দু, মানা ওজা ওইরিবা স্কুলদুদা পীরকউ। গভর্নমেন্ট স্কুলগী ওজাশিং! প্রাইবেত স্কুলগী ওজাদগী হেন্না ক্বালিফাই ওইখিবনি, হৌজিক্তি মতিং ফুদোক্লো! স্কুল অমত্তদা ওজা ওইরমদবা, মমীং চৎপা ত্যুতরশিং, প্রাইবেত স্কুলশিংনা লৌশিনগদবনি। থৌশিল অসি চথদ্রবা, ত্যুসন চৎপদা হৈনখ্রবা ময়ামসি শোয়দনা ঙাওচৎনরনি।

প্রাইবেত ত্যুসন থিংবই খোঙথাং অসিনা মরা তাখ্রবা, গভর্নমেন্ট স্কুলগী ওজাসু প্রাইবেত স্কুলগী ওজাসু- মরমচৎ শোয়দনা হোংলক্কনি, য়েংখিসি। অদুবু, মীওইবা মরকসিদা মীচং মীখায় নাইবই থৌওংদি চথরোইদবনি। গভর্নমেন্টকী হোস্পিটালদা তলব চাউনা চারিবা দোক্তরনা প্রাইবেত প্রাক্তিস তৌবদি য়াই/য়াদে ৱাথোকসিসু ৱাখৈনবা পাম্বৈ অমা পুথোক্লম্বসু ফবনি। নৎত্রবদি, প্রাইবেত ত্যুতরশিংনসু হায়রক্কনি- ঐখোয়না তৌরিবা অসিসু হ্যুমেনিতরিয়ান সর্ভিসনি।

লৌশিং পুক্কৈ

দিহাইদ্রেসন তৌরবদি ঈশিং থকচিল্লু

মীওই অয়াম্বা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহন্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎনরম্লগনি। অদুবু য়াম্না অরায়বা মওংদা ঈশিং মরায় কায়না থক্লগা অহেনবা ফেট লৌথোক্তুনা অরূম্বা হন্থহনবা য়াই হায়বা ৱাফম অসিদি খঙনরমদবা য়াই।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না ঈশিং মরাং কায়না থক্লবদি হকচাংগী অরূম্বা হন্থরকই অমসুং পুক্কী অনোয়বা শরুক মাঙহনখিবা ঙম্মী হায়রি।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, ঈশিংদা কার্বোহাইদ্রেট, ফেট নৎত্রগা প্রোটিন য়াওদে। মরম অদুনা হেঞ্জিন্না থক্লবসু হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহন্দে। মদুগীসু মথক্তা ঈশিং মরাং কায়না থকপা মতমদা হেঞ্জিন্না চাশিনগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মিচিগানগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার টেমি চাংনা হায়খি, নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থক্তুনা হকচাংদা মহীগী শরুক ৱাৎহন্দবনা কান্নবা কয়ামরুম পী। অনোয়বা অমসুং বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) ৱাংবা মীওই অয়াম্বা হকচাংদা মহীগী শরুক ৱাৎলি হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি। অমরোমদা, ঈশিং মরাং কায়না থক্তবা মীওইশিংকা হেন্না নোয়খৎলকপা য়াই হায়বসু ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি।

মরম অদুনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনগে হায়রবদি ঈশিং মরাং কায়না থকপগা লোয়ননা উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা মশিং মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই। রিছার্চরশিংনা মশাগী চহী ১৮ অমদি ৬৪ গী মরক্তা লৈবা মীওই ৯,৫২৮ গী চাকচা-য়ুথক অমসুং পুন্সি মহিং কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'এনালস ওফ ফেমিলি মেদিসিন' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখি।

মীওইবগী হকচাং অসি মথক্তা হকচাংগী কয়াৎ অয়াম্বা ঈশিং য়াওদ্রবদি মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদে। মরম অদুনা ঈশিংগী শরুক ৱাৎলকপা মতমদা কয়াৎ অয়াম্বা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙল্লক্তবদগী হকচাং নুংঙাইহক্তে। কনাগুম্বনা কালেনথাগী শারবা মতমদা নুমীৎ চুপ্পা ঈশিং শুংথক থক্তনা লৈবা মতমদা ৱাফম অসি অচুম-অরান শোয়দনা খঙবা ঙমগনি। হাইদ্রেসন এক্সপার্ট কেট গিগাননা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মীওই অয়াম্বা ঈশিং খৌরাংবগী হকচাং চোকথরকপা মতমদা চাক লাম্বা ওইরবোই নীংদুনা হেক হেক চাশিল্লি। মদুনা মরম ওইরদুনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকই। হকচাং মনুংদা মহীগী শরুক ৱাৎলকপা মতমদা দিহাইদ্রেসন তৌবদগী খৌরাংবা ফাওরকই। য়াম্না তোয়না দিহাইদ্রেসন তৌরবদি মরুওইবা কয়াৎ অয়াম্বা শোকচিল্লকপা মরম্না মেটাবো-লিজমদা অশোয়বা থোরকপদগী হকচাং নোয়খৎলকই।

ৱর্ল্ডহেল্থ ওর্গনাইজেসন অমসুং খঙ-হৈরবা ন্যুট্রিসনিষ্টশিংনা হায়খি, অঙৈং-অশা হোংলকপগী মতুংইন্না শাবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবমখৈ হকচাং মনুংদা য়াওবা ঈশিংগী শরুক অয়াম্বা হুমাং অমসুং মনিল ওইনা মাঙখি। মতমদুদা মাঙখিবা ঈশিংগী শরুক অদু মেনখৎনবগীদমক ঈশিং থকচিনবা মথৌ তাই। ইচম চম্বা মীওইশিংগা য়েংনবদা শান্নরোয়শিংনা হুমাং থোকপগী চাং ৱাংই। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, শান্নরোয়শিংগী মরক্তা ঈশিং হেন্না থকপা মীওইশিংনা মশাগী পার্ফোমেন্স হেন্না ফজনা উৎথোকপা ঙম্বগী খুদম ফংলে। নিংশা শ্বর হোনবদা মনিল ওইনা য়াওখিবা অমসুং হুমাং ওইনা থোকখিবা ঈশিংগী শরুক পুম্নমক মেনখৎনবগীদমক নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থকপা মথৌ তাই।

ঈশিং মরাং কায়না থক্লবদি হকচাং মনুংদা য়াওবা ফেট অমসুং সোল্যুবল ফাইবর তুমহনবদা মতেং পাংই। কিদনি অমসুং লিভরনা হকচাং মনুংদগী অমোৎপশিং শেংদোকপসু মতেং পাংশিল্লি। লার্জ ইন্টেষ্টাইনদা ঈশিংনা ফাইবরগা পুল্লগা অমোৎপা শেংদোক্তুনা খোঙ হান্বা নুংঙাইহল্লি। ঈশিং মরাং কায়না থক্ত্রবদি কোলোননা অমাঙবদা য়াওবা ঈশিং পুম্নমক চুপশিনখিবা মরম্না খোঙ হান্বা য়াহন্দে অমসুং কোন্সটিপেসনগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

ঈশিং য়াম্না থকপনা কেন্সর মখল খরা পাঙথোকপা ঙম্মী। অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, ঈশিং য়াম্না থক্লিবমখৈ ব্লাদর কেন্সরগী রিস্ক হন্থরকই। ঈশিং মরাং কায়না থক্লবদি তোয়না মপান থোকপা মরম্না ব্লাদরদা কেন্সর ওইহল্লক্কদবা কার্সিনো-জেনশিং তুংদুনা লৈবা ঙমদে। মদুগীসু মথক্তা কোলোন কেন্সর অমদি ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক হন্থহল্লি।

ঈশিং মরাং কায়না থকপনা পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইহনবগা লোয়ননা ব্রেনগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহল্লি। চাং হাইরপ মান্নবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা ঈশিং হেন্না থকপা মহৈরোয়শিংনা ইগজামদা মার্ক হেন্না ফংই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙমখি। ঈশিং থকপগী কান্নবদি লোইবা নাইদে। কনাগুম্বা মীওই অমা মতম শাংনা ঈশিং থক্তবা তারবদি কোক চিল্লকপা য়াই। কালেনথাগী শারবা মতমদা কনাগুম্বা মীওই অমা কোক চীল্লকপা তারবদি ঈশিং গ্লাস অনী থকচিনবা মতমদা মিনিট ৩০ রোম লৈরগা কোক চীকপা ফরকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙমখি। মরম অদুনা কালেনথাদা মীপুম খুদিংমক পুং ১/২ কান্নরগা ঈশিং গ্লাস ২/৩ থকপা মথৌ তাই হায়রি।

কিদনিনা হকচাং মনুংগী অমোৎপশিং শেংদোকপগা লোয়ননা ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌবদা মতেং পাংই। মরম অদুনা কিদনিবু মথৌ নীংথিনা পাঙথোকহন্নবগীদমক নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থক্কদবনি।

কালেনথাদা থবক অমত্তা তৌদ্রবসু হকচাং চোকথরকপগা লোয়ননা ইতন-তন্থরকপা তারবদি দিহাইদ্রেসন তৌবগী খুদমনি। মতমদুদা ঈশিং গ্লাস ২/৩ থকচিনবা মতমদা হান্নগী মতৌগুম হকচাং তেকখৎলক্কনি। অমোৎপা ফিরোল, শুবা, কোল-লীক ফেঙবা, ঈরুজবা, ইমুং ৱাই তৈবদা ঈশিং শীজিন্নবগুম হকচাং মনুংগী ফৎতবা অমোৎ-অকায় শেংদোকপদসু ঈশিং চঙই।

নুমীৎ খুদিংগী লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা খৌনাও তেংবা মীওইশিং অপ্পর রেস্পিরেটরি ট্রেক্টতা ইনফেক্সন তৌবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লদে অমসুং লোক থুংগন্দে। ষ্টদি অমগী মতুংইন্না নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থকপা মীওইশিং হার্টকী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লদে। ঈশিং থকপখক নত্তনা ঈশিংদা ঈরোইবা, য়ুম মনাক্তা অচৌবা পুখ্রি নৎত্রগা পাৎ-তুরেল লৈবা ফাওবা হকচাংদা কান্নবা পী হায়বা অখঙ-অহৈশিংনা থিজিনবদগী খঙলে। নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং অশাবনা খোঙ হান্বগা লোয়ননা নিংজোলদা হীগা য়ৈবা মতমদা ঈগী ঈচেল ফগৎলকপা মরম্না হার্ট ফহল্লি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা নুমীৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থক্কদবনি। য়ুরোপিয়ন ফুদ সেফ্টি ওথোরিটিগী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না নুমীৎ খুদিংগী য়ামদ্রবদা নুপীনা ঈশিং লিটর ১.৬ অমসুং নুপানা লিটর ২ থকপা মথৌ তাই হায়রি।

নুপী লাল কমপ্লেক্সতা নুমিৎ নীনিগী লৈবা-য়োনবশিং উনবগী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৮(ঐচ এন এস):

মণিপুর হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফস আর্টিসিয়ন সী এস লিমিটেদ, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী শেন্থংমখাদা ব্লোক লেবেল হেন্দলুম ক্লষ্টর মঙানা পুথোকপা ফিগী ময়েক্তা নুমিৎ নীনিগী ওইবা লৈবা য়োনবশিং উনবগী থৌরম অমা ঙসি নুপী লাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী চেয়রপর্সন ডা. কে সোবিতানা চীফ গেষ্ট অমসুং অৱাসকী প্রসিদেন্ট কে ইন্দিরানা প্রসিদেন্ট ওইখি। দিরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলস মণিপুরগী দেপ্যুটি দিরেক্তর সীঐচ সুকুমারনা ৱিভর্স সর্ভিস সেন্তর ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর দিজাইনগী সী রাজাসেকরন, নেসনল হেন্দলুম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন, পোরোমপাৎ ইম্ফালগী ওফিসর ইন-চার্জ ৱাই শান্তিকুমর অমসুং ইম্ফাল কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর দিপার্টমেন্ট ওফ কেমেষ্ট্রিগী ডা. আর কে ববিতানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফস আর্টিসিয়নগী বোর্ড দিরেক্তর এস ভুবোন্না নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা দিরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম টেক্সটাইল গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী খুণ্থাংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌবনি। ব্লোক লেবেল মঙাদা পুথোকপনি। ব্লোক লেবেলদা দিজাইন তৌদুনা পুথোকচবা, ক্বালিটি লৈবা আইটেমশিং অসি পুথোকপনি। মসিনা ব্যুজিনেসমেন্টশিং, ইন্টরেষ্ট লৈবা অমদি ওন্ত্রাপ্রেন্যুয়রশিংদা খঙহন্দুনা য়োন্নবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

পুথোক্লিবা পোথোকশিং অসি থৌবাল, নুংবা, ৱাংগোই, কৈরাও অমদি মচীগী ব্লোক লেবেলশিংগীনি। অদুনা টু দে বাইয়র সেলর মীট অসিনা কান্নবা খরদি শোয়দনা পীরগনি হায়না মখা তাখি।

ডা. কে সোবিতানা ফোঙদোকখিবদা, নুপীগী থৌদাংশিংনা সোসিও ইকনমিদা অচৌবা মতেং পাঙদুনা লাক্লি। অদুনা মণিপুরগী নুপীশিং অসি অৱাংবা থাক্তা লৈরি। লাইরেম্বী লাইস্নানচিংবা কয়াগী মচা-মশু ঙাক্তনি হায়না লৈরক্লবনি। অদুনা টেক্সটাইলসকী ওইবা থবক থৌওংশিংদা মরি মখোঙ খঙবা তঙায়ফদে। এৱার্দ থাগৎপা মতমদা ফিগী ময়েক্তুগী মরি মখোং খঙনা থাগৎলবা, ময়েক অদু এৱার্দ ফঙদনিংঙাই লৈতে। মণিপুরগী নুপীশিংনা লাল হৌরল্লিবা অসি নুপীশিং খক্কী কান্ননবা নত্তে। মীতৈ নুপীশিংগী মশাদা য়াওজরক্লবা মতিক ময়াই অমদি খাঙবা কনবা অসি শীংথানিংঙাইনি।

মোইরাং ফি অসি য়াইরোংফি হায়না লোয়ুম্বা মতমদগী খঙনরক্লবনি। ১৩ শুবা চহীচাদা মোইরাং থোইবীগী মতমদা ইয়োংগী ফি অসি অদুক্কী মতিক দিভলপ তৌরম্মী। মসিদগী মোইরাংফি ওনখিবনি। মসিগী মতুংদা ৱাংখৈদা ফি শারকপদগীদি ৱাংখৈ ফি অসুম্না মতম মতমগী ওল্লকই। হিষ্ট্রিবু লান্না খক পুরোইদবনি। শাফি লানফি হায়বসি তোঙানবা অমনি। মসিসু লান্না চৎখ্রে। লান্না চৎখিবা অসিনা কলচরগী কেসেট অমা মাঙখিগদৌরিবনি। মসি ঐখোয়গী মাঙজবনি। অদুনা আইদেন্টিটি তৌবদা ময়েকসি পুৱারিগা শাগোন্নবদা পুথোক্লবদি ফিশাবীশিংদা হেন্না অফবা ওইগনি। ষ্টেট এমব্লেমদা লান্না শীজিন্নবা য়াদে। কংলা শা অসি ষ্টেট এমব্লেমনি। মসি মফম চানা শীজিন্নগদবনি। ফিশাবীশিংনা খুদিংমক অসি চেকশিন্না খঙনা চৎপগী তঙায়ফদবা লৈ হায়খি।

সীঐচ সুকুমারনা ফোঙদোকখিবদা লৈবা য়োনবগী মফম অমা শেম্লগা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা অরৈবশিংনা পাম্লিবশিংদু খঙজিলহৌরগা মখোয়গী পাউতাক লৌদুনা পুথোকপা চঙই। ব্লোক লেবেলদা পুথোক্লিবশিং অসি উৎপীদুনা মসি ফালবদি পুথোকপা ঙম্লে হায়বদুগী মফম অমা পীবনি। অদুনা মপাঙ্গল লৈনা পুথোক্তুনা মপানদা হেন্না য়োন্নবা হোৎনবা চঙই। হেন্দলুমগী প্রদক্সন কয়া মপুং ফানা পুথোক্কবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনসু অকনবা মীৎয়েং চঙলি। ঐখোয়সু মসিদা খুদোংচাবা অসি লৌহৌনবা হোৎনগদবনি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা লং পীবা হৌখ্রে। কিলোগ্রাম ৪০০ সপ্লাই পীখ্রে। থৌবাল, চুড়াচান্দপুর, বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতসু হৌখ্রে। লংশিং অসি এ আই ওদগী লৌবা য়ারগনি। ঐখোয় খুদিংমক কন্না হোৎনদুনা মণিপুরগী হেন্দলুম অসি হান্নদগী হেন্না মমীং চৎপা ওইহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

ৱাই শান্তিকুমারনা হায়, ফিশাবীশিংনা মীয়াম্না করি পাম্মী হায়বসি খঙবা মথৌ তাই। মসিগা লোয়ননা দিজাইনরশিংনা ক্লষ্টরশিংদা থৱায় য়াওনা হোৎনহনবা মথৌ তাই। মীয়াম্না পামগদবা অহোংবা মখলগী ফিশিংসু শাবা তঙায়ফদে। হেন্না ফজবা অনৌ অনৌবা ফিশিংসু পুথোকপা মথৌ তাই হায়খি।

সী রাজাসিকরমনা হায়, পুথোক্লিবা পোৎশিং অসিনা মীয়ামদা খরদি কান্নবা পীবা ঙল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। পুথোক্লিবা দিজাইনশিং অসি উরুবদা পুক্নিংদা নুংঙাইবা পোকই হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

এ আরনা চাইনিজ অমা ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৮(ঐচ এন এস): মরী লৈনবা চে-চাং য়াওদনা ম্যানমাররোমদগী মণিপুর তম্না চঙলকপা চাইনিজ নুপামচা অমা ১১ শুবা অসাম রাইফলসনা মোরে গেট নম্বর ৱানদগী ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, ঙরাং অয়ুক পুং ৯.১৫ রোম তারকপা মতমদা ম্যানমাররোমদগী মোরে গেট নম্বর ৱান তম্না লাকপা চাইনিজ মচা অমা মফম অদুদা লৈবা ১১ শুবা অসাম রাইফলস কাঙবুনা থেংনবদগী ফাখি। মহাক ভিজা য়াওদনা মণিপুরদা চঙলকপদগী এ আরনা ফারবা মতুংদা ৱাহং পাউহং চথরবা মতুংদা ম্যানমাররোমদা অমুক হন্না হলহনখি হায়রি। মোরেগা ম্যানমারগা তায়নরিবা ফ্রেন্দসিপ ব্রিজ ময়াদা লৈরিবা ম্যানমারগী ইম্মিগ্রেসন সেন্তরদা পুদুনা শীন্নখিবা চাইনিজ অদুগী মমীং জিংচুয়াইয়ু (২১) অপোকপা জেংপেংহু কৌই। মহাক চিনাগী হ্যুমেন প্রোভিন্সতা লৈবনি হায়রি। চাইনিজ মচা অদু নুংথিলগী পুং ১.১০ রোম তাবা মতমদা হায়ৱে মনাক্তা লৈবা ন্যু মোলজাং খুল ময়াদা অমুক থেংনরকপদগী ১১ শুবা এ আরনা অমুক ফাখি হায়রি। মঙোন্দগী ম্যানমারগী ভিজা, ম্যানমারগী করেন্সি খরা, ইন্দিয়াগী করেন্সি খরা অমদি চে-চাং খরসু ফঙখি। মহাক মোরে পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

---

২২ শুবা নেতাজি নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকখ্রে, নেতাজিগী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকাইখুম্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৮(ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না শীন্দুনা ২২ শুবা নেতাজি নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকপগা লোয়ননা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুল মনুংদা খিল্লিবা নেতাজিগী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকাইখুম্নবা উৎখ্রে। মীনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবসু ফোঙদোকখ্রে।

জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মল্টি পর্পজ হোলদা পাঙথোকপা নেতাজি নীংশিং থৌরমদা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল মুতুম জদুমনি, ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ শরাংথেম, ঈ ঈ ভি এফ এ এমগী জেনরেল সেক্রেটরি ঈদিনা য়াইখোমনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

22 Suba Netaji Ningshing Numit, 2018
Wednesday, the 28th February
Multipurpose Hall Johnstone Hr. Sec. School
Jointly Organised by
U Imphal West District Committee & Johnstone Hr. Sec. School

এমসুগী জেনরেল সেক্রেটরি থোকচোম বসন্তনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়, কুমজা ১৯৯৬ কী ফেব্রুৱারি ২৮, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লায়বক থিবা থৌদোক অমদা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস এলেবেন তম্লিবা মহৈরোয় থোকচোম নেতাজি (১৬) না স্কুলদগী ময়ুমদা হন্নবা গাড়ী ঙায়রিঙৈদা খঙহৌদনা ষ্টেট ফোর্সকী মায়কৈদগী মফম মরাং খঙদনা কাপথোরকপা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা নেতাজি লৈখিদে।

থৌদোক অদুবু মমীৎমক্লা উহৌবা মহৈরোয় অমনা স্কুলগী এসেমব্লীদা ইহান হান্না পাউদমখি। নুমিৎতুগী এসেমব্লী অদুদা মহৈরোয় ১৫১ প্রজেন্ট ওইখিবনি। জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় অমা নোংমৈনা পান্দুনা লৈখিদ্রে তাবদা চরাংনবা থোকপগা লোয়ননা স্কুল কারকখিবা মহৈরোয়শিং ময়ুম ময়ুমদা হন্দনা লাংতক্লদুনা করি তৌরক্কনি খন্দুনা লৈনখি। থৌদোক অসিগী পাউ মথং মথং শন্দোকখিবদগী মণিপুরগী মফম শিনবা থুংখি। থৌদোক অসিবু য়ানিংদবা অমদি পেন্দবা কয়াদগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখি। মতাং অসিদা মহৈরোয়শিংগী অপুনবা লুপ এমসুনা লুচিংদুনা মীয়ামগা লোয়ননা ঈহৌ চঙশিনখি হায়রি।

ময়ুমদগী স্কুলগী য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা স্কুল কাজরকপা মহৈরোয়শিংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎতোকপীবা হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী লীচৎ নত্তে। নেতাজিগী থৌদোক অসিনা মীয়ামদা অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোকপা ওইহনখিবনি। থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা স্কুল কারকপা মহৈরোয়শিং অকি-তুজুংবা ফাওহনখি। লমদমসিগী ইস্যু অমা ওইরকখি। মসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা থোকচোম নেতাজিগী নীংশিং খুভম অমা জোনষ্টোন স্কুলদা য়ুম্বী ওইনা য়ুংখি। মসিগা লোয়ননা কুমজা ১৯৯৯ দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ৱাহেংবম নিপামচানা থোকচোম নেতাজিগী মমীংদা লাইব্রেরি অমা হাংবীরমখি হায়রি।

লায়বক থিবা থৌদোক অসিবু ঙসিগী মীয়াম্না কাউঙমদনা লৈরক্লি। কাউঙল্লরোইদবা থৌদোক অসিবু নীংশিংবা ওইনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগা খুৎশম্নদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ঙসিগী নুমিৎ অসি কৈদৌঙৈদসু কাউবা ঙল্লরোই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বোলজাং, থৱাই কুকি খুলদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়ান্থৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৮(ঐচ এন এস):

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থৱাই কুকি খুলগী চীংশাং অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বোলজাংনচিংবা এরিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ুক নার্কোটিক এফেয়র্স বোর্দর পুলিস, ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিং, ৬ শুবা এম, ২৭ শুবা অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা থৱাই কুকি খুলগী চীংশাং পরেংদা পাক শন্না একর ২০ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়ান্থৎপগা লোয়ননা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

ঙসি কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়ান্থৎলবা মতুংদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রবা পোপী পাম্বীশিং অদু চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ১.৪০ রোমগী ওইগনি হায়রি।

অমরোমদা, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বোলজাং খুলগী চাংশাং খুল এরিয়াদা পোপী পাম্বী পাক শন্না থারে হায়বা পাউ ফঙবদগী ঙসি নার্কোটিক এফেয়র্স বোর্দর পুলিস, নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরো, সেন্ত্রেল ব্যুরো নার্কোটিক অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস য়াওবা কম্বাইন্দ টিমনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা পোপী পাম্বীশিং য়ান্থৎখি হায়রি। মফম অদুদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক পোপী পাম্বীশিং চাউরাক্লা একর ৩০ রোমদা থারম্বদগী কম্বাইন্দ টিম অসিনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখি হায়রি।

কম্বাইন্দ টিমনা য়ান্থৎলবা মতুংদা মাঙহনখ্রবা পোপী পাম্বীশিং অদু চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ২.১০ রোমগী ভেল্যু ওইগনি হায়রি।

নুমিৎ খরনিগী মমাংদসু উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা থৱাই কুকি খুলগী এরিয়াদা নার্কোটিক বোর্দর পুলিস, এম আর, আই আর বি, লিতান পুলিস অমদি এ আর য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনসু পোপী পাম্বীশিং য়ান্থৎখিবা লৈখ্রে।